**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 11-09-2026)**

**মিট (এল)ঃ** মনিপুরদা লৈরিবা বিভাগশিংগী মনুংদা চে শিজিন্নদবা অহানবা বিভাগ দাইরেক্তোরেট ওফ প্রিন্টিং এন্দ ষ্টেস্নারিনা ওইরে।

দি.আই.পি.আরনা শিন্দুনা তাঙ্কক নাইনা চথরকপা মিট দা প্রেসকী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা প্রিন্টিং এন্দ ষ্টেস্নারিগী দাইরেক্তর-এন.জি. রোমেন সিংহনা হায়-দাইরেক্তোরেট অসিগী ৱেব সাইটকী খুত্থাংদা ই-গেজেটশিংসু য়েংবগী খুদোংচাবা  ফংলগনি। মহাকা হায়-দাইরেক্তোরেট অসিনা হৌজিক ফাওবা গেজেট লিশিং ৩৪ হেন্না দিজিটাইজ তৌখ্রে। মসিগী মথক্তা মাঙখ্রবা গেজেট ৮৮১ হেন্না খোমগৎনবা থবক পায়খৎলি। মসিগী মথক্তা গেজেট ৭৫৭ হেন্না থিবা খঙদনা লৈরি। থিবা খঙদ্রিবা গেজেটশিং অসি লৌখৎনবগীদমক বিভাগশিং অমসুং সুপ্রিম কোর্টতা চে ইদুনা খঙহনখ্রে।

মহাকা হায়-হৌজিক ফাওবদা পুন্না গেজেট ১২৪ রিকোভর তৌবা ঙমলে। দাইরেক্তরনা হায়-বিভাগ অসিনা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিংগী মনুংদা আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স (এ.আই) শিজিন্নদুনা ৱেব সাইটতগী গেজেট থিবগী থবক পায়খৎলি। প্রোজেক্ট অসি নৈলিট ইম্ফালগা পুন্না পায়খৎমীন্নগদবনি। অহানবা তাঙ্কক্তা কুমজা ২০০০ দগী হৌরগা ই-গেজেটশিং সর্চ তৌবগী খুদোংচাবা লৈহল্লগনি

**বিজেপি (এল)ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ইং ২০৪৭ ফাওবদা ভারতপু ভিক্সিত ভারত ওইনবগী পান্দমদা চংশিল্লক্লিবা খোঙথাং অসিবু মায় পাকবগী পান দমদা বি.জে.পি. মনিপুরগী ওইবা মীফম অমা ঙসি চীফ মিনিস্তর সেক্রেটরিয়েটকী দরবার হোলদা পাঙথোকখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়-বি.জে.পি. মনিপুরগী প্রসিদেন্ট-অধিকারময়ুম সরদা দেবী য়াওনা দল অসিগী সেনিয়ার লিদরশিং, জিলা থাক্কী লুচিংবশিং অমদি মন্দলগী লুচিংবশিং য়াওনা করিয়াকরতাশিংগী ওইবা মীফম অমা ঙসি দরবার হোলদা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হোৎনরিবা ভিক্সিত ভারতকী থৌরম পরেং অসিদা মতেং পাংবা ওইনা মীয়ামগী য়াইফনবা লৈরিবা স্কিমশিং মতম চানা মীয়ামদা ফংনহবা য়াওনা কৎথোকপগা লোয়ননা থৌনা ফনা করিয়াকরতাশিংনা পুন্না থবক তৌমীন্নসি হায়বা ৱাফমশিং খন্নখি।

মহাকা হায়-তংদু লৈতানা হিংবা, চাউখৎপগী লম্বীদা পুরকপা অমদি নুংঙাই য়াইফবা মনিপুর অমা ওইননবা মখা তানা বি.জে.পিগী লৈরিবা করিয়াকরতাশিংনা পুন্না হোৎনমীন্নসি।

**সিএম (এল)ঃ** জোরদানগী অমানদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান কেদেদ এন্দ জনিয়ার জ্দো চেম্পিয়নসিপতা সনাগী তকমান ফংলকখ্রবী-লিংথোই চনম্বম ঙসি মুখ্য মন্ত্রি-য়্মাম খেমচান্দনা তরামা ওকখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মনিপুরদগী নহা ওইরিবী জ্দোকা অসিনা অসুমা মায় পাক্লকপা অসিদা রাজ্য অসিগী অচৌবা মায় পুরকপা ঙমলে। মনিপুর খক্তা নত্তনা ভারতকী ওইনসু অচৌবা মায় পাকপা অমনি। মালেমগী থাক্তা শান্নবা ইভেন্টতা মহাকা ফংল্লক্লিবা শিংথানিংঙাই ওইবা অসিনা তুংদা হৌরক্লিবা শান্নরোইশিংদা হেন্না পুকিং থৌগৎপা ঙম্লগনি।

মহাকপু ওকপগী থৌরম অদুদা ময়াং ইম্ফালগী এম.এল.এ. কে. রোবিন্দ্রা, য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টসকী দাইরেক্তর-এম. ভেটো সিংহ, মনিপুর জ্দো এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট-বিজয় কোইজম অমদি লিংথোই চনম্বমগী মমা-মপা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, য়ুনাইটেদ কিংদমগী য়ুনিভরসিতি ওফ হ্দ-দরসফিল্ডদা এম.এ.সি. সাইকোলোজি লোয়শিল্লক্লবা অমদি মহাক্কী পি.পি.দি. সোসিএল ইনোভেসন প্রজেন্টেসনদা চাদা ৭৫ ফংল্লক্লবা য়াসিরুন মিরসাদপু ঙসি মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটতা তরামা ওকখ্রে।

**নোনে(এল)ঃ** সি.আর.পি.এফ. কোব্রা টিমনা নোনে হেদক্বাটরদগী নুপী মঙা ফাখিববু জোইন্ট ত্রাইবস কাউন্সিল (জে.টি.সি) মনিপুরনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে।

জে.টি.সিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-চপ চাবা মরম পীদনা নোনে হেদক্বাটরসতগী মীচম নুপী মঙা ফাখিবা অসি পাংদবগী থৌওংনি। মখোয় মঙা ফাখিববু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা নেসনেল হায়রে ৩৭ তা টোটেল সটদাউন্দ তৌখ্রে অমদি কেন্দ্র সরকারগী পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিং অমদি কেন্দ্র সরকারনা স্পোন্সর তৌবা জে.টি.সিগী জরিদিক্সনদা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিংসু অথিংবা থমজিনখ্রে।

চেরোল অসিনা হায়-ফাজিনখিবা নুপী মঙা অসি কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা অথুবা মতমদা থাদোরক্কদবনি।

**বাইওমেট্রিক(এল)ঃ** তেংনৌপল জিলাগা মনুংদা লৈরিবা মহৈরোইশিংগী অধার বাইওমেট্রিক কেপচর অমদি অপদেদ, থা অসিগী ১৪ দগী হৌরগনি।

তেংনৌপলগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-তেংনৌপল জিলাদা মহৈ মশিং তল্লিবা মহৈরোইশিংগী অধার বাইওমেট্রিক কেপচর অমদি অপদেসন অসি থা অসিগী ১৪ দগী হৌদুনা ১৮ ফাওবা এস.দি.ও. ওফিস মোরেদা পাঙথোক্কনি। হায়রিবা থৌরাং অসি জিলা অসিগী মহৈরোইশিংগীদমক অপার রেজিষ্ট্রেসন, বাইওমেট্রিক অপদেদ অমদি অধার এনরোলমেন্ট নীংথিনা তৌহৌনবগী পান্দমদা পাঙথোক্কনি।

**নোং(এল)ঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট, ইম্ফাল সেন্টরনা হায়রি-লাক্লিবা নুমিৎ হুমনি অসিদা রাজ্য অসিগী মফম খুদিংমক্তা অখাক অরাও য়াওনা নোং চুরবা য়াই।

সেন্টর অসিনা পীবা ৱেদর রিপোর্টকী মতুং ইন্না-রাজ্য অসিগী জিলা খুদিংমক্তা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মফম খরদা অখাক অরাও য়াওনা নোং চুরবা য়াই।

ছাতিসগর, অন্ধ্র প্রদেস অমদি উরিষ্যাদা ঙসি আই.এম.দিনা ওরেঞ্জ এলার্ট লাউথোকখ্রে। মসিদসু নত্তনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং য়াওনা অতৈ রাজ্য খরদা অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়নসু আই.এম.দিনা পীবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না হায়রি।

অমরোমদা, বিহারদা থোক্লিবা ঈশিং ঈচাওগী ফিভম হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা ফিভমদা লৈরি। রাজ্য অদুগী ষ্টেট দিজাস্তর মেনেজমেন্ট বিভাগকী মতুং ইন্না রাজ্য অদুগী জিলা ১৪ গী বোক ৮৫ দা লৈরিবা মীওই লাখ ৪৪ হেন্না ঈচাও অসিনা অৱাবা মায়োকহল্লে।

অকাশবানিগী পাউনা হায়-ঈচাওনা অৱাবা মায়োকহল্লবশিংগীদমক রিলিফ ওপরেসন লেপ্পা লৈতনা চত্থরি। তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কম্ম্যুনিতি কিটচ লিশিং অমগী মথক্তা হাংদোক্তুনা থমলে। মসিদসু নত্তনা হিদাক লাংথক অমদি চান থকবগী পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

**দোনেসন(এল)ঃ** নেসনেল প্রোগ্রাম ফোর কন্ট্রোল ওফ ব্লাইনেস এন্দ ভিজ্‌য়েল ইমপিয়ারমেন্ট, নেসনেল হেলথ মীসন মনিপুর অমদি দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সার্ভির্সেস মনিপুরনা শিনদুনা রাজ্য থাক্কী ওইবা ৪১ শুবা নেসনেল আই দোনেসন ফোরর্ট নাইট ২০২৬ ঙসি ককচিং জিলাগী হিয়াংলম প্রাইমারি হেলথ সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা নেসনেল হেলথ মীসন মনিপুরগী ষ্টেট নোদেল

ওফিসার-ডা: বিক্রম সিংহ খোইস্নামনা হায়-ইং ১৯৮৫ দগী হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়ারনা লৈবাক অসিগী নাগরিকশিংনা মিৎ দান তৌবগী চাং হেনগৎহন্নবগীদমক চহি খুদিংগী চয়োল অনি চুপা পালন থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা লাকপনি। থৌরম অসিগী মনুং চন্না এৱারনেস কেম্পেইন, আই স্ক্রিনিং টেষ্ট, কেট্রেক ওপরেসন লেমা তৌবা, লেমা হিদাক ফংহনবা অমদি অহলশিংগী ওইবা অনকপা উরক্তবগী অনোকশিং লেমা ফংহনবা য়াওরি।

**ময়োল(এল)ঃ** মনিপুর য়ুথ লিগ (ময়োল) না চংশিল্লকপা অনৌবা লাংওনগী ভোট হায়বা কেম্পেইন অসি হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী মহৈরোইশিংগী থৌ পুবা খনবগী মীখল অসিদসু মমি তাহল্লসি হায়না ময়োলনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ময়োলগী প্রসিদেন্ট-কোইজম সুরেজনা থোকপা চেরোল অদুদা হায়-য়ুনিভরসিতিগী কেন্টিনশিংদা মশিং য়াম্লবা মহৈরোইশিং পুনশিন্দুনা অচা অথক তৌবা অমদি য়ুনিভরসিতি অসিগী হোষ্টেলশিংদা মাগী মাগী খুৎপু শেমদুনা চাকচা হৈজানবা তৌবীদবা লোয়ননা মীরেপশিংগী মমিং থাবা পমপ্লেট অমদি কার্ডনচিংবা কা হেন্না চাইথোকপা তৌবীগনু হায়বনচিংবা য়াওরি।

**মীলাল (এল)ঃ** রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ লেঙ্গোইজ, প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসন অমদি মীতৈ ইরোল ইয়েক লোইনশিলোল অপ্নবা লুপ (মীলাল) কংলৈপাকনা পুন্না শিনদুনা মনিপুরগী মপানদা চোইনা তাখ্রবা মনিপুরিশিংদা লোল অমদি ময়েক মপুং ফানা হৈহন্নবগী পান্দমদা চহি খুদিংগী লেপ্তুনা চখুনা লাকপা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা বঙ্গলাদেসতা মীতৈ ময়েক তন্বীবগী থৌরম ঙরাং লোয়শিনখ্রে।

মীলালনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-থা অসিগী অমদগী হৌদুনা বঙ্গলাদেসকী তেতাইগাউন অদমপুর বজারদা লৈবা মনিপুরি কলচরেল

কমপ্লেক্সতা ইন্টরনেসনেল মাদর লেঙ্গোইজ ইন্সটিটুট্যট-ধাকাগা খুৎশমদুনা নুমিৎ তরানিগী ওইবা লেমা মীতৈ ময়েক তম্বীবগী থৌরম অসি পাঙথোকখিবনি।

**ককচিং (এল)ঃ** সঙ্গিত একাডমী ককচিংনা শিনদুনা নিত্যাই দ্যুমেনগী মতাংদা চথুরকপা ব্রার্কশোপ ঙসি লোয়শিনখ্রে।

নুমিৎ ২৩ নি চুপা ককচিংগী পাজি লৈকাইদা লৈবা নরসিংহ ঠাকুর মন্দবতা চথুরকপা থৌরম অসি রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগকী তেংবাংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবনি।

**ব্রিক্স ঃ** ভারতনা যুম্বু ওইদুনা ১৮ শুবা ব্রিক্স মীফম হয়েংদগী নিউ দিল্লিগী ভারত মন্দপমদা হৌরগনি। ভারতনা যুম্ ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিগী থিমনা-বিল্ডিং ফোর রিজিলিয়েন্স, ইনোভেসন, কোওপরেসন এন্দ সসটেনেবিলিতি হায়বসিনি।

নুমিৎ নিনি চথুগদবা মীফম অসিদা ব্রিক্স লৈবাকশিং অমদি পার্টনর লৈবাকশিং শরুক য়াগনি। মালেমগী অপুনবা মীশিংগী চাদা ৪৯ অমসুং মালেমগী জি.দি.পিগী চাদা ৪০ দি ব্রিক্স লৈবাকশিংনা ওইরি। মীফম অসিদা রসিয়াগী রাষ্ট্রপতি ভ্লাদিমির পুটিন, চাইনাগী রাষ্ট্রপতি সি জিন পিং, সাউথ আফ্রিকা, ইজিপ, ইন্দোনেসিয়া, ইরানগী রাষ্ট্রপতিশিং, ইথোপিয়াগী প্রধান মন্ত্রিনচিংবা শরুক য়াগনি। ব্রিক্স মীফম য়াওনবগীদমক ব্রিক্স লুচিংবশিং ভারত্তা থুংলরে।

ব্রিক্স মেম্বর লৈবাকশিংনা ভারত মন্দপমদা ভারত ইনোভেট ইগজিবিসন য়েংগনি। মখোয়না উ চারা কয়ামরুমসু থাগনি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ব্রিক্স লুচিংবশিংগা মীফম পাঙথোক্কনি।

**পুতিন ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং রাসিয়াগী রাস্ত্রপতি-ব্লাদিমির পুতিননা

লৈবাক অনিগী লৈনরিবা মরী নৌহৌননা য়েংশিনখ্রে।

পোলিটিকেল, ইকোনোমিক, দিফেন্স, ইনর্জি, স্পেস, স্কিল মোবিলিতি য়াওনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা লৈবাক অনিনা মতেং পাংনরিবা অদুগী মতাংদা খন্নখি। মসিগী মথক্তা লমদম অসোমগী অমসুং মালেমগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম নোংচুপ এসিয়া অমদি ব্লেক সি লমদমদা ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা ৱাফমশিং খন্নখি।

রাস্ত্রপতি-পুতিননা প্রধান মন্ত্রিবু রাসিয়াদা লাক্কুনা ২৪ শুবা ইন্দিয়া-রাসিয়া এন্যুয়েল সমিটতা শরুক য়াবীনবা বার্ত্ত
ন তৌখ্রে। প্রধান মন্ত্রিনা য়ু.এনগী সেক্রেটরি জেনরেল-এন্তোনিয়ো গুতারজসু উন্নগনি।

**ভেক্সিনেসন**ঃ ভারতনা হকশেলগী লমদা শিংথানিংঙাই ওইবা খোঙথাং অমদা হৌজিক ফাওবদা হ্যুমেন পেতিলোমা ভাইরস (ঐচ.পি.ভি) মীওই লাখ ৮০ রোম কাপখ্রে।

কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুন্থালগী মন্ত্রালয়না হায়-নেসনেল ঐচ.পি.ভি. ভেক্সিনেসন কেম্পেইন অসি চহি অসিগী ফেব্রুৱারীদগী হৌখিবনি। হৌজিক ফাওবদা গুজরাট, উত্তর প্রদেস, মধ্য প্রদেস অমসুং মিজোরামদা চাদা ১০০ তিকা থাদোকখ্রে। বিহার, অন্ধ্র প্রদেস অমসুং অসামদা চাদা ৯০ হেল্লে। উত্তর প্রদেসনা খ্বাইদগী য়ামা হৌজিক ফাওবদা ইনখৎলক্লিবা নুপীমচা লাখ ২২ ঐচ.পি.ভি. ভেক্সিন কাপথোকখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** ৬৬ শুবা সি.আর.পি.এফ. বটালিয়ননা শিনদুনা থৌবালগী কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চত্থরকপা স্পান্দন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি লোয়শিনখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা জে.জে.এফ.এনা পি.পি.এফ.সি.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা

থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখ্রে। অহুমশুবা মফম তেন্থা ৱারিয়সনা তাখ্রে।

**সাইঃ** থা অসিগী ১৯ দগী জপানদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান গেমসতা শরুক য়াগদবা সাই নেসনেল সেন্টর ওফ এক্সিলেন্স-তাকয়েল অমসুং সাই এস.টি.সি. খুম্মন লম্পাক্কী শান্নরোইশিংগী সি-ওফ থৌরম ঙসি সাই নোর্থ ইষ্ট রিজনেল সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

এসিয়ান গেমস অসিদা ভারতকী মহুৎ শিন্দুনা মনিপুরদগী শান্নরোই তরেৎ শরুক য়াগনি।

**ফুটবোল ঃ** অন্ধ্র প্রদেসকী অন্তপুরদা চখৎরিবা ডাক্তর টি.আউ. জ্নিয়ার গালর্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা দিল্লি সোক্কর এসোসিয়েসননা গুজরাট ষ্টেট ফুটবোল এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা ঝরখন্দ ফুটবোল এসোসিয়েসননা বিহার ফুটবোল এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ৫-০ দা থোইখি।

**হোকিঃ** চাইনাগী মোকিদা চখৎরিবা জ্নিয়ার এসিয়া কপ হোকিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা ভারতকী নুপা জ্নিয়ার হোকি টিমনা মালেসিয়াবু পাঞ্জল৩-১ দা থোইদুনা ফাইনেল চংলে। অতোপ্পা মেটচ অমদা ঙসি অথেংবদা সাউথ কোরিয়াগা পাকিস্তানগা শান্নগনি।

নুপীগী জ্নিয়ার এসিয়া কপ হোকিগী সেমি ফাইনেলদা হয়েং ভারতকা সাউথ কোরিয়াগা শান্নগনি।